**File Copy from Sangai**
**IMPHAL, 20th July, 2012**

# এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ** নেসনেল এনভাইরনমেন্ট এৱার্নেস কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা বাইওডাইভরসিটি হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস কেম্প অমা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকি মনুং চন্না লৈবা উয়ালদা হৌখিবা জুলাই ১৭তা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এনভাইরনমেন্ট এণ্ড ফোরেষ্ট, গবর্নমেন্ট ওফ ইণ্ডিয়া অমদি এনভাইরনমেন্ট এণ্ড ইকোলোজি ৱিং, গবর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেম্ফং মখাদা অপলিফমেন্ট ওফ ৱিমেন এণ্ড চাইল্ড এসোসিয়েসন, উচাল খুন্নৌনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা উ চারাশিং থাখি হায়রি।

অমরোমদা, এনভাইরনমেন্ট এণ্ড ইকোলোজি ৱিং, গবর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা সার্বিস ওফ ডি নেসন, সেনা, কুম্বীনা শীন্দুনা নেসনেল এনভাইরনমেন্ট এৱার্নেস কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা বাইওদাইভরসিটি কঞ্জার্বেসন অমসুং অতৈ সব-থিমশিংদা খন্ন-নৈনবগী ৱার্কসোপ অমা সেনা সেক্রেটরিয়েট কুম্বীগী কফরেন্স হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়রি। হায়রিবা ৱার্কসোপ অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৬০না শরুক য়াখি হায়রি।

নাকল অমদা, লিশম জুবাসিং মেমোরিয়েল নেচর কিওর হোস্পিটাল, ৱাঙ্গৈ থম্বালখোংনসু শন্দুনা বাইওডাইবরসিটি কঞ্জার্বেসন হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা নেসনেল এনভাএরনমেন্ট এৱার্নেস কেম্প অমা ঙরাং ৱাঙ্খৈ কোংপালদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

© Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.